


# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, THURSDAY, APRIL 26, 2018 **PAGE 7**




*ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী মমিং লৈরবা টিম অমা ওইরিবা দিল্লি দেয়রদেবিলসকী কেপ্টেন ওইরব্বদগী পোত্থারগা শ্রিয়াস আয়রনা মহুৎ শিনখ্রবা গৌতম গম্ভির*

*ইজিপ্তদা পাঙথোকপা এল গোনা ইন্টরনেসনেল স্কৱাস টুর্নামেন্টকী নুপীগী ক্বার্টর ফাইনেলদা ইংলেন্দগী লোরা মসারোগী মখূত্তা ষ্ট্রেট গেম ৩ দা মায়থিহৌরবী ইন্দিয়াগী শান্নরোই জোস্না চিনাপ্পা*

## এসিয়ান য়ুঠ এন্দ জুনিয়র ৱেঠলিফটিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী জেরেমী লালরিনুঙ্গানা সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ মেডল ফংখ্রে

*উরগেন্স, এপ্রিল ২৫ঃ*

উজবেকিষ্টানগী সিটি উরগেন্সতা পাঙথোকপা এসিয়ান য়ুঠ এন্দ জুনিয়র ৱেঠলিফটিং চেম্পিয়ন্সিপকী জুনিয়র কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী লিফটর জেরেমী লালরিনুঙ্গানা কেজি ৫৬ কী কাঙলুপ্তা সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা ঙমখ্রে।

মশাগী চহী ১৫ দা ঙাইরিবা লালরিনুঙ্গানা জুনিয়রগী কেজি ৫৬ কী কাঙলুপ্তা পুন্না কেজি ২৫০ থাঙ্গৎতুনা সিলভর মেডল ফংখি।

থা অসিগী ২৩ দগী হৌরগা ৩০ ফাওবা চত্থগদবা এসিয়ান য়ুঠ এন্দ জুনিয়র ৱেঠলিফটিং চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা লালরিনঙ্গানা কেজি ২৫০ থাঙ্গৎতুনা য়ুঠ অমসুং জুনিয়র বোইজগী কম্পিটিসন অদুদা ইন্দিয়াগী ওইবা অনৌবা রেকোর্দ থম্বা ঙমখি।

অতোপ্পা ইন্দিয়াগী নুপাগী ৱেঠলিফটর মশাগী চহী ১৪ দা ঙাইরিবা সিধান্থ গোগোইনা য়ুঠ বোইজগী কাঙলুপ্তা পুন্না কেজি ২৪৩ থাঙ্গৎতুনা ব্রোঞ্জ মেডল ফংখি।



*এসিয়ান য়ুঠ এন্দ জুনিয়র ৱেঠলিফটিং চেম্পিয়ন্সিপকী সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ ফংখ্রবা জেরেমী*

চত্থরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ইন্দিয়াগী ষ্টেট উরিষাদগী হৌখিবী জিলি দালাবেহারানা নুপীগী কেজি ৪৮ গী কেটেগোরিদা পুন্না কেজি ১৬৬ থাঙ্গৎতুনা ইভেন্ট অদুগী সিলভর মেডল ফংখি।

দালাবেহারানা নুপীগী কেজি ৪৮ গী কম্পিটিসন অদুদা স্নেটচতা কেজি ৭৩ অদুগা ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ৯৩ থাঙ্গৎতুনা অপুনবা ৱেঠ অদু ১৬৬ য়ৌখিবনি।

হায়রিবা ইভেন্ট অদুদা চাইনিজ তাইপৈগী লিফটর ফাং ৱান লিংনা পুন্না কেজি ১৮৪ থাঙ্গৎলগা গোল্ড মেডল অদু ফংখি। লোয়নন্না টুর্কমেনিষ্টানগী লিফটর ঝুমাবায়েভা য়ুলদুসনা কেজি ১৬৪ থাঙ্গৎলগা ব্রোঞ্জ মেডল অদু ফংখিবনি।

উজবেকিষ্টানগী সিটি উরগেন্সতা পাঙথোক্লিবা ২৫শুবা এসিয়ান য়ুঠ এন্দ জুনিয়র ৱেটলিফটিং চেম্পিয়ন্সিপ অদুগী নুপীমচাগী কাঙলুপ অদুদা ইন্দিয়াগী লিফটর স্নেহা সোরেননা কেজি ৫০ গী কাঙলুপ্তা ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা ঙমখি।

স্নেহা সোরেননা য়ুঠ গালসকী কেজি ৪৮ গী কাঙলুপ অদুদা স্নেটচতা কেজি ৬৩ অমদি ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ৮২ থাঙ্গৎলগা ব্রোঞ্জ মেডল ফংখিবনি।

উরিষাগী চীফ মিনিষ্টর নবিন পটনায়কনা মহাক্কী ত্বিটর একাউন্টদগী নহা ওইরিবা ৱেঠলিফটরশিং অদুনা মেডল ফংবা ঙল্লকপা অদুদা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকখি।

## য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অহানবা সেমি ফাইনেলগী অহানবা লেগতা লিভরপুলনা রোমাবু ৫–২ দা থোইখ্রে

*লন্দন, এপ্রিল ২৫ঃ*

য়ুরোপকী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭–১৮ গী অহানবা সেমি ফাইনেলগী অহানবা লেগতা ইংলেন্দগী ক্লব লিভরপুলনা য়ুম্বু ওইরগা শান্নখিবা মেটচ অদুদা ইটালিগী ক্লব রোমাবু পাঞ্জল ৫–২ দা মায়থিবা পীখি।

লন্দনদা লৈবা লিভরপুল ফুটবোল ক্লবকী হোম গ্রাউন্দ এন্দফিল্ডদা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচ অদু অহানবা হাল্ফকী পুংখায় ফাজিল্লকপা ফাওবদা য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরকখি।

৩৬শুবা মিনটতা ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী সিজন অমদা গোল খ্বাইদগী য়াম্না চনবা ঙম্বা শান্নরোইশিংগী মনুংদা চল্লিবা ইজিপ্ত মচা লিভরপুলদা য়াওরিবা মোহমদ সালানা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি।



*লিভরপুলগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অনী চনখিবা মোহমদ সালা (ময়ায়) না পাঞ্জল চল্লবা মতুং টিমমেটকা হরাওবা ফোঙদোকমিন্নবা*

হাল্ফ অদু লোইদ্রিঙৈ অরোইবা মিনটতা সালানা মখা তানা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা লিভরপুলনা রোমাবু ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

৫৬শুবা মিনটতা টিমমেট সাদিও মানেনা ৩শুবা পাঞ্জল হাপচিল্লবা মতুং টিম অদুগী অতোপ্পা শান্নরোই রোবার্টো ফিরমিনোনা শান্নবগী ৬১ অমসুং ৬৯ শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২ চন্দুনা লিভরপুলনা রোমাবু পাঞ্জল ৫–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

মেটচ লোইগদবা মিনট ১০ রোমদা ঙাইশিল্লক্লবদা রোমাগী মায়কৈদগী শোত্থখিবা পাঞ্জল ৫ হন্দোক্লবা হোৎনরকপদা টিম অদুগী ইদিন জেকোনা ৮১শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চনখি। অদুগা টিম অদুগী দিএগো পেরোটিনা পেনাল্টি অমা ফংখিবা অদু পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ৮৫ শুবা মিনটতা চন্দুনা রোমাগী পাঞ্জল ২ অদুগা লিভরপুলগী ৫ লৈখি। লেমহৌবা মিনট ৫ অদুদা অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী লিভরপুলনা পাঞ্জল ৫–২ দা রোমাবু থোইখি। টিম অনীনা অনীশুবা সেমি ফাইনেল লেগ অদু মথং থাগী ৩ দা রোমানা য়ুম্বু ওইরগা শান্নগদৌরি।

ঙসি অথেংবদা বর্লিনদা জর্মনিগী বেয়র্ন ম্যুনিক ফুটবোল ক্লব অমসুং স্পেনগী ফুটবোল রিয়েল মাদ্রিদকা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অনীশুবা সেমি ফাইনেলগী অহানবা লেগ অদু শান্নগদৌরি।

## নম্বর ৱান সিদেদ স্পেনগী রাফেল নদাল বার্সেলোনা ওপনগী নুপাগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে, ইন্দিয়াগী বোপানা দবলসকী ক্বার্টরদা মায়থিহৌরে

*মাদ্রিদ, এপ্রিল ২৫ঃ*

স্পেনগী সিটি মাদ্রিদতা চত্থরিবা এটিপি টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা বার্সেলোনা ওপন টেন্নিসতা নুপাগী সিঙ্গলসতা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা স্পেনগী রাফেল নদালনা অতোপ্পা লৈবাক অদুমক্কী শান্নরোই আর কার্বলিস বেনাবু মায়থিবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে। দবলসকী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমসুং ফ্রান্সকী রোজর ভেসেলিনগী পেয়র ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থিহৌরে।



*বার্সেলোনা ওপন টেন্নিসকী নুপাগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রবা স্পেনগী রাফেল নদাল*

সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দদা স্পেনগী রাফেল নদালনা অতোপ্পা স্পেনগী শান্নরোই কার্বলিস বেনাবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–৪, ৬–৪ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা জপানগী কৈনিসিকোরি শোকপদগী মখা তানা শান্নবা ঙমখিদবা মরম্না স্পেনগী শান্নরোই গুইলরমো গার্সিয়া লোপেজগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী দবলসকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমসুং ফ্রান্সকী রোজর ভেসেলিনগী পেয়র অমসুং কলম্বিয়াগী জেএস কবাল অমদি আর ফারাগা লম্বা তৌনরকপদা অহানবা সেট অদু ইন্দিয়া অমসুং ফ্রান্সকী পেয়র অদুনা ৬–৪ দা থোইখি।

অনীশুবা সেট কলম্বিয়াগী পেয়র অদুনা ৭–৬(১১–৯) দা থোইদুনা দিসাইদিং সেট লম্বা তৌনরকখি। সোট খুদিংমক লম্বা পীনরবা মতুং কলম্বিয়াগী জেএস কবাল অমদি আর ফারানা ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমসুং ফ্রান্সকী ভেসেলিনবু ১৩–১১ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিত্রোভনা অনীশুবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী গাইল সাইমোনবু ৬–২, ৬–১ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা টুনিসিয়াগী এম জাজিরিগা শান্নরগনি।

মমাঙদা মতম শাংনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্লবা সর্বিয়াগী নোবাক জোকোভিস টুর্নামেন্ট অসিদা ৱাইল্ড কার্দ ওইনা শরুক য়ারকপদা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা স্লোভাকিয়াগী এম ক্লিজানগী মখূত্তা ২–৬, ৬–১, ৩–৬ তা মায়থিহৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা সিদেদ ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমনা অনীশুবা রাউন্দদা স্পেনগী জে মুনারবু ৭–৬(১০–৮), ৬–১ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি।

## এএফসি কপ গ্রুপ ষ্টেজগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী ক্লব বেঙ্গালুরু এফসি মালদিপ্সকী ক্লব ন্যু রেদিয়েন্টকী মখূত্তা অহানবা ওইনা মায়থিখ্রে

*মালে, এপ্রিল ২৫ঃ*

কুমজা ২০১৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান ফুটবোল কনফিদরেসন কপকী ক্বালিফাই ওইননবা শান্নরিবা ক্বালিফায়িং রাউন্দগী গ্রুপ 'বি' গী ৪শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী ক্লব বেঙ্গালুরু এফসি মালদিপ্সকী ক্লব ন্যু রেদিয়েন্টকী মখূত্তা পাঞ্জল ০–২ দা অহানবা ওইনা মায়থিখ্রে।

বেঙ্গালুরু অমসুং ন্যু রেদিয়েন্টনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরকখি। শান্নবগী ৩০শুবা মিনটতা মালদিপ্সকী ক্লব ন্যু রেদিয়েন্টকী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা ফাজিরনা পাঞ্জল অমা চল্লবা মতুং হাল্ফ অদু লোইশিল্লকপদা অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী ন্যু রেদিয়েন্টনা বেঙ্গালুরু এফসিবু ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থারিবা ন্যু রেদিয়েন্টকী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌবগী চাং হেনখি।

শান্নবগী ৪৭শুবা মিনটতা ন্যু রেদিয়েন্টকী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা অসফাকনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ইন্দিয়াগী ক্লব বেঙ্গালুরু এফসিবু পাঞ্জল ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।



*বেঙ্গালুরু এফসি অমসুং ন্যু রেদিয়েন্টনা শান্নখিবা এএফসি কপকী গ্রুপ ষ্টেজগী মেটচ অমদা শান্নরোইশিংনা বোল মুন্নবা*

মেটচকী লেমহৌবা মিনট ৪৩ রোমগী মতম অদুদা বেঙ্গালুরু এফসিগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্কবা ফনা কন্না হোৎনখ্রবসু ন্যু রেদিয়েন্টকী দিফেন্দরশিংনা মখোয়গী গোল লাইন অদু নীংথিনা থিংবা ঙমখিবদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু ন্যু রেদিয়েন্টনা বেঙ্গালুরু এফসিবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা গ্রুপ অসিগী পোইন্ট টেবলদা অহানবা পোজিসন তারম্বা বেঙ্গালুরু এফসিপু পোইন্ট মান্নরবসু গোল্ড দিফরেন্সতা হেনখিবদগী ন্যু রেদিয়েন্টনা অহানবা পোজিসন তাবা ঙমখি।

বাংলাদেশকী ক্লব ধাকা অবাহানিনা য়ুম্বু ওইরগা ধাকাদা ইন্দিয়াগী ক্লব আইজোল এফসিগা শান্নখিবা গ্রুপ 'ই' গী অতোপ্পা মেটচ অমদা পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখি।

মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু ধাকা অবাহানিনা শান্নবগী ৩১শুবা মিনটতা ফংখিবা পেনাল্টি অমগী মতেংনা ওনৌহানা চন্দুনা মাঙজিল থারবা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা মেটচকী ৬৫শুবা মিনটতা আইজোল এফসিগী শান্নরোই লোনেস্কুনা ইক্বেলাইজর অদু চল্লবা মতুং মেটচকী লেমহৌবা মতম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী আইজোল এফসি অমসুং ধাকা অবাহানি পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখি।

গ্রুপ 'ই' গী ৫শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী ক্লব অনী বেঙ্গালুরু এফসি অমসুং আইজোল এফসিনা মথং থাগী ২ দা বেঙ্গালুরুনা য়ুম্বু ওইরগা মফম অদুগী ষ্টেদিয়ম শ্রী কান্টিরাভাদা লম্বা তৌনরগনি।

## ইন্দিয়াগী পিভি সিন্ধু, সাইনা নেহৱাল অমসুং কিদম্বি শ্রিকান্থ এসিয়া বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপকী অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে

*ৱুহান, এপ্রিল ২৫ঃ*

চাইনাগী সিটি ৱুহানদা চত্থরিবা এসিয়া বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ দা ইন্দিয়াগী শান্নরোই পি ভি সিন্ধু, চাইনা নেহৱাল অমসুং কিদম্ব্রি শ্রিকান্থ মখোয়–মখোয়গী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচশিং মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

এসিয়া বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইনা শরুক য়ারিবী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা চাইনিজ তাইপৈগী পাই য়ু পোবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।



*এসিয়া বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপকী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রবা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু, কিদম্বি শ্রিকান্থ অমসুং সাইনা নেহৱাল*

অহানবা গেম ইন্দিয়াগী সিন্ধুনা য়াম্না কোম্না ২১–১৪ দা থোইরবা মতুং অনীশুবা গেম অদুদা চাইনিজ তাইপৈগী পাইগী মায়কৈদগী লম্বা খরা পীরকখ্রবসু সিন্ধুনা ২১–১৯ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা হোং কোংবু ২১–১৩, ২১–৯ দা থোইরম্বী চাইনাগী চেন এক্সএক্সকা শান্নরগনি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা শান্নরোই সাইনা নেহৱালনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা সিঙ্গাপোরগী শান্নরোই য়িও জিয়া মিনবু ষ্ট্রেট গেম অনী ২১–১২, ২১–৯ দা য়াম্না কোম্না মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা সিদেদ জপানগী নাওমী ওকুহারাবু ২১–১৫, ২৩–২১ দা থোইরম্বী চাইনাগী গাও ফাংজৈগা লম্বা তৌনরগনি।

এসিয়া বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপাগী দবলসকী লম্বাদা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সিদেদ ওইরিবা ইন্দিয়াগী কিদম্বি শ্রিকান্থনা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা জপানগী কেন্টা নিসিমোটোবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরগা গেম ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

অহানবা গেম জপানগী নিসিমোটোনা ইন্দিয়াগী কিদম্বি শ্রিকান্থবু য়াম্না কোম্না ২১–১৩ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি। গেম অমা শোত্থরবা ইন্দিয়াগী শ্রিকান্থনা অনীশুবা অমদি অহুমশুবা গেম অদুদা ২১–১৬, ২১–১৬ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা নেপালগী শান্নরোই রতনাজিৎ টমাঙবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা ২১–১৬, ১৭–২১, ২১–৪ দা থোইরম্বা হোং কোংগী শান্নরোই ৱোং ৱিং কিগা শান্নরগনি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী কাঙলুপ্তা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোই সমির বর্ম মহাক্কী অহানবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই চাইনিজ তাইপৈগী চৌ টিয়েন চেনগী মখূত্তা ২১–২৩, ১৫–২১ দা মায়থিহৌদুনা মথং গী রাউন্দ য়ৌবা ঙমদনা লৈহৌখি।

এসিয়া বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপীগী দবলসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দিয়াগী পেয়র এম জকাম্পুদি অমদি পিএস রামনা সিঙ্গাপোরগী পেয়র ওং আরএন অমদি ৱোংগী পেয়রবু ১৪–২১, ২২–২০, ২১–১৭ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা মেকাউগী পেয়র গোং অমসুং ৱেং চিবু ২১–১১, ২১–৯ দা থোইরম্বা ৭শুবা সিদেদ পেয়র থাইলেন্দগী জে কিটিথারাকুল অমদি আর প্রাজোংজালগা শান্নরগনি।

নুপাগী দবলসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী পেয়র আর্জুন অমদি শ্লোকনা সাউথ কোরিয়াগী পেয়র চুং অমদি কিমবু ২৫–২৩, ২৩–২১ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙবা ঙমখি।

এসিয়া বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী মিক্স দবলসকী কাঙলুপ্তা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী পেয়র সৌরভ শর্ম্মা অমদি অনুস্কা পারিখ অহানবা রাউন্দগী মেটচতা সাউথ কোরিয়াগী পেয়র কিম অমসুং সিনগী মখূত্তা ১৭–২১, ১৪–২১ দা মায়থিদুনা লৈহৌখি।

কাঙলুপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী পেয়র ভিজি প্রসাদ অমদি জে দেৱাগানবু হোং কোংগী পেয়র লি অমসুং চাওনা ২১–১১, ২১–১৩ দা মায়থিবা পীরমখি।

## সিখর ধৱন অমসুং স্মৃতি মন্ধনা আর্জুনা এৱার্দকীদমক খনগৎখ্রে

*কোলকতা, এপ্রিল ২৫ঃ*

বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বিসিসিআই) গী মায়কৈদগী এক্তিং সেক্রেটরী ওইরিবা অমিতাব চৌধুরিনা ফোঙদোরকপদগী মতুংইন্না ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী ওপনর ওইরিবা সিখর ধৱন অমসুং স্মৃতি মন্ধনা আর্জুনা এৱার্দকীদমক খনগৎখ্রে।

আর্জুনা এৱার্দ অসি চহী খুদিংগী পীবা শান্নবগী তোঙান–তোঙানবা দিসিপ্লিনদা খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্স লৈখিবা মীওইদা পীবা মনানি।



এক্তিং সেক্রেটরী অমিতাব চৌধুরিনা পাওমীশিংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমদা ধৱন অমসুং মন্ধনা ক্রিকেট মশান্নগী ওইনা আর্জুনা এৱার্দ গভর্নমেন্টতা পাও য়ৌখ্রবনি।

সিখর ধৱন ইন্দিয়াগী টেষ্ট মেটচ, ৱান দে অমসুং টি–২০ ফোর্মেট অহুমক্তা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখিবগীদমক এৱার্দ অসিগীদমক খনগৎখিবনি।

অদুগা স্মৃতি মন্ধনা মমাঙগী চহীদা ইংলেন্দনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা আইসিসি ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী টিম ফাইনেল য়ৌহনবদা য়াম্না অচৌবা থৌদাং লৌখিবী শান্নরোইনি।